# ইন্দিয়ন আর্মিনা ৱা ঙাঙবগী মহুৎ থবক ওইনা উৎলি : প্রাইম মিনিষ্টর

ভোপাল, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
মধ্য প্রদেশকী ভোপালদা নৌনা শাবা লোইবদা ঙাইরিবা ৱার মেমোরিএল শোর্য্যা স্মারক শঙ্গাবগী থৌরম য়াওবা লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়ন আর্মিনা অরেম্বদা ৱা ঙাঙদুনা মতম মাঙহনবগী মহুৎ থবক ওইনা উৎলি।

লাল পরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা হান্নগী সর্ভিসমেনশিংগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, খুদোংচাবা তাঞ্জা অসি লৌরগা ইন্দিয়ন আর্মিবু অৱাংবা থাক্তা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। শ্রীনগরদা ঈচাউ থোকখিবা মতমদা আর্মিনা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক পায়খৎখি। হায়রিবা মীওইশিং অদুনা আর্মিদা নুঙ লংশিল্লকখিবা তারবসু হৌখিবা পুন্নমক কাউথোক্তুনা মতেং পাংবগী থবক পায়খৎখি।

য়ু এন পিছ কিপ্পিং ফোর্সতা লান্মী খ্বাইদগী য়াম্না থারিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, য়েমেনদা পায়খৎখিবা মীয়ামগী মতেং পাংবগী থবক থৌরমশিংদা ইন্দিয়ন আর্মিনা মরুওইবা থৌদাং লৌখি। ইন্দিয়ন আর্মিনা মতেং পাংবগা লোয়ননা কনখিবা মীওইশিং অদু ইন্দিয়ন খক্তা নত্তে। অতোপ্পা লৈবাক্কী মীওই কয়াসু য়াওই। পাকিস্থানগা য়েংথীনবা তারবসু য়েমেনদা অৱাবা তারবা পাকিস্তানি কয়া ইন্দিয়ন আর্মিনা মতেং পাংখি।



এন দি এ গভর্ণমেন্টসু ঙাঙথোকখিবা ৱা পুন্নমক ঙাক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ৱান রেঙ্ক ৱান পেন্সন চৎনহনবা হৌরে।

থৌরম অদুদা মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শিব্রাজ সিংহ চৌহান অমদি দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারসু ৱা ঙাঙখি। ইন্দিয়ন আর্মিগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই শীংথারদুনা দিফেন্স মিনিষ্টর পরিকারনা হায়খি, হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৯ দা ইন্দিয়ন আর্মিনা পাকিস্থান অমদি ইন্দিয়াগী লোন্নবা ঙমখৈদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথুদুনা টেররিষ্টশিংগী মরুওইবা লৈফম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখি।

অমরোমদা, শিব্রাজ সিংহ চৌহাননা হায়খি, লৈবাক অসিগী মতিক মথৌনা লৈরবা লান্মীশিংগী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎলি। ঙসি শঙ্গারিবা শোর্য্যা স্মারক অসি মথৌনা লৈরবা লান্মীশিংগী মফমদা কখোল্লকবনি।

থৌরম অসিগী মাঙওইননা রেলৱে ষ্টেসন, এয়রপোর্ট, বস টর্মিনল, মরুওইবা কৈথেল অমদি ভোপালগী মরুওইবা মফম কয়াদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। মফম কয়াদা চেক পোইন্ট হাংদোক্তুনা লন্বীদা লাকপা গাড়ীশিং চেক তৌবগা লোয়ননা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনখি।

নুংথিলগী পুং ৪.০৫ তাবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ভোপাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। এয়রপোর্টতা মহাকপু মধ্য প্রদেশকী গভর্ণর ও পি কোহলি, চীফ মিনিষ্টর শিব্রাজ সিংহ চৌহান অমদি দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা তরাম্না ওকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হাবিবগঞ্জ জেন টেম্পলদা চৎতুনা অচারিয়া বিদ্যাসাগর মহারাজগা উনরবা মতুংদা নুমিদাংগী পুং ৭.০৫ তাবদা ব্রিক্সকী মীফম য়াওনবগীদমক পানাজি মায়কৈ পাংখি।

# য়ু পিগী মীখলদা বি জে পিনা সীট খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ঙম্লগনি : সর্ভে

লক্ষ্নৌ, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
লাক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না সীট ১৭০ দগীনা ১৮৩ ফাওবা ফংবা ঙম্লবা য়াই হায়না সর্ভেগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া টুদেগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নদি হন্দক্কী মীখল অসিদা পার্টি অমত্তনা মেজোরিটি ওইবা ঙম্লোই হায়রি। সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)না সীট ১১৫ দগী ১২৪ ফাওবা ফংদুনা অনীশুবদা লৈরবা য়াই।

হৌজিক-হৌজিক গভর্ণমেন্ট পায়রিবা সমাজৱাদি পার্টিনা সীট ৯৪ দগী ১০৩ ফাওবা ফংদুনা অহুমশুবদা লৈগনি হায়রি। কোংগ্রেসকী ওইনদি হন্দক্কী মীখল অসিদা শুপ্নগী সীট ৮ দগী ১২ ফাওবদং ফংবা য়াই হায়রি।

সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱতিনা ষ্টেট অসিগী মথংগী চীফ মিনিষ্টর ওইরবা য়াই। মোত লৌখিবা অপূনবা মীশীংগী চাদা ৩১না ময়াৱতিনা চীফ মিনিষ্টর ওইগনি হায়না ফোঙদোরকখি। মীওই চাদা ২৭ নদি হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ য়াদবনা ফম অসি অদুমক পায়গনি হায়না মোত পীরকখি। অপূনবা মীশীংগী চাদা অমখক্না সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ য়াদবপু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

কোংগ্রেসকী ওইনসু অপূনবা মীশীংগী চাদা অমখক্না শৈলা দিক্সিটপু মথংগী চীফ মিনিষ্টর ওইরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি। মীওই চাদা ২ না প্রিয়াঙ্কা গান্ধীবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমসুং বি জে পিগী যোগী অদিত্যনাথবু মথংশিংনা মীওই চাদা ১৮ অমদি চাদা ১৪ না চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি। মোত লৌখিবা অপূনবা মীশীংগী চাদা ৬৪ না হায়খি, উত্তর প্রদেশকী হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগদবা মীশক্তি বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱতি খক্তনি। হীরম অসিগী মতাংদা মীওই চাদা ১৭ না অখিলেশ য়াদব অমদি চাদা ১৮ না রাজনাথ সিংহবু শৌগৎখি।

কোংগ্রেস পার্টি হিঙ্গৎহন্নবগী মতাংদা মোত লৌখিবদা অপূনবা মীশীংগী চাদা ৩৮ না হায়খি মদুদি, মশাগী চহী ৪৬ শুরবা রাহুল গান্ধীবু চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনা পুথোকপা তারবদি য়ু পিদা কোংগ্রেসকী ফীভম শোয়দনা ফগৎলক্কনি। মোত লৌরুবা মীওইশিংগী চাদা ১৯ না প্রিয়াঙ্কা গান্ধী শৌগৎখিবগা লোয়ননা মীওই চাদা ৯ না শৈলা দিক্সিটপু শৌগৎখি।

অমরোমদা, অতোপ্পা সর্ভে অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না মথং চহীগী মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা মীওই অয়াম্বনা বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱতিবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখ্রে। মোত লৌরুবা অপূনবা মীশীংগী চাদা ৩১ না ময়াৱতিবু মথংগী চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি। মীওই চাদা ৬৪ না মহাকপু শোয়দনা চীফ মিনিষ্টর ওইগনি হায়না মোত পীখি। অপূনবা মীশীংগী চাদা ২০ না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ য়াদবপু অমুক হন্না ফম অসি পায়হন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা অপূনবা সীট ৮০গী মনুংদা ৭১ ফংবা ঙমখিবনি।



# শ্রীনগরদা জৱান ১ এম্বুশতা শিরে

শ্রীনগর, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
শ্রীনগরদা মিলিটেন্টশিংনা সশস্ত্র সিমা বল (এস এস বি)দা এম্বুশ তৌরকপদা জৱান অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা তরেৎ অশোক-অপন নংলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

এস এস বিগী ইন্সপেক্টর জেনরেল দিপক কুমারনা হায়খি, মফম অদুদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেল থাজিন্দুনা থিবা-হুম্বগী থবক চথুরি।

পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, শ্রীনগরদগী লদাখ তাবা লম্বীদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদা মিলিটেন্টশিংনা এস এস বিগী কনভোয় অমদা এটেক চথুরকখি। শ্রীনগর সীটিদা মথৌ তৌরুরগা হল্লকপা এস এস বিগী পার্সনেলশিংদা মিলিটেন্টশিংনা এ কে রাইফল অমদি অতৈ অফবা মখলগী খুৎলাই শীজিন্নদুনা এটেক চথুরকখিবনি।

এস এস বিগী মায়কৈদগীসু খুৎ হুদুনা মিলিটেন্টশিংদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপখি অদুবু মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদা অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিদে। জে এন কে পুলিস, সী আর পি এফ অমসুং এস এস বিগী অপূনবা টিম অমা থৌদোক থোকফমগী অকোয়বদা থাজিন্দুনা থিবা-হুম্বগী থবক চথুরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়খি, থৌদোক থোকখিবা মফম অদুদগী এম্বুলেন্স খরা থৌরক্লগা শ্রীনগরগী মরুওইবা হোস্পিটাল ওইরিবা শের-ঈ-কাশ্মীর ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী হোস্পিটালদা থৌজিনবা উখি।

# অরুনাচল গভর্ণমেন্টতা বি জে পি য়াওখ্রে

ইটানাগর, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা লুচিংবা অরুনাচল প্রদেশকী গভর্ণমেন্টতা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) য়াওখ্রে।

বি জে পিগী এম এল এ টামিয়ো টাগাবু মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্টতা বি জে পি য়াওরে হায়না পার্টি অসিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট টাপির গাওনা ফোঙদোকখি।

খন্দু অমদি কোংগ্রেসকী অতোপ্পা এম এল এ ৪২ না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর কালিখো পুলগী রিজনেল পার্টি পি পি এদা য়াওখ্রবা মতুং থা অমরোম লৈরগা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি।

সেপ্টেম্বর থাগী ময়ায় চল্লকপদা খন্দুনা অতোপ্পা এম এল এ ৪২গা লোয়ননা কোংগ্রেস পার্টিদগী তোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না রিজনেল পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ফিরেপ লৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

মেম্বর ৬০ লৈবা হাউসতা ইন্দিপেন্দেন্ট ২ য়াওনা এম এল এ ৪৭না কোংগ্রেসপু সপোর্ট তৌরকখিবনি। অমরোমদা ওপোজিসন বি জে পিগীদি এম এল এ ১১ লৈরি। হৌখিবা জুলাই ১৭ তা পেমা খন্দুবু অরুনাচল প্রদেশকী মাপনশুবা মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা কোংগ্রেসনা নবাম টুকিগী মহুৎতা পেমা খন্দুবু কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা ক্লেম তৌখিবনি।

পার্টিগী এম এল এ ৪৫ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ২গী মতেং লৌরগা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অদু শেমখিবনি। লৈখিদ্রবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর দোরজি খন্দুগী মচানুপা পেমা খন্দু (৩৭) না লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী নহা ওইবা চীফ মিনিষ্টর ওইখি। নুমিৎ অদুদা চৌনা মেনবুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

# পঞ্জাবতা কোংগ্রেসনা চাউনা মায় পাক্লগনি

চান্দিগর, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া টুদে-এক্সিস ওপিনিয়ন পোলগী রিপোর্ট মতুংইন্না মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্জাবকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা সীট খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ঙম্লগনি হায়রি।

সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, অপূনবা সীট ১১৭ লৈবা পঞ্জাব লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা কোংগ্রেসনা সীট ৪৯ দগী ৫৫ ফাওবা ফংলবা য়াই। আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না সীট ৪২ দগী ৪৬ ফাওবা ফংদুনা অনীশুবদা লৈগনি। সিরোমনি অকালি দল অমদি বি জে পিগী এল্লাইন্সনা সীট ১৭ তগী ২১ ফাওবা ফংদুনা অহুমশুবদা লৈগনি হায়না সর্ভেগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ওপিনিয়ন পোলগী রিপোর্টনা হায়খি, কোংগ্রেসনা অপূনবা ভোট মশীংগী চাদা ৩৩ অমসুং এ এ পিনা চাদা ৩০ ফংগনি। ভোটর চাদা ৩৩ না পঞ্জাব কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহবু অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইহনবা পাম্মী। অমরোমদা, ভোটর চাদা ২৫ না পরকাশ সিংহ বাদলবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নীংই হায়না মোত পীরকখি।

সর্ভেগী রিপোর্ট অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা অমরিন্দর সিংহনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা পঞ্জাবকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা সীট খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। সিরোমনি অকালি দলনদি সর্ভেগী রিপোর্ট অদু থাজনিংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোকখি। কনাগুম্বা খরনা শেল পীরগা অরানবা রিপোর্ট ফোঙহল্লকপনি হায়না পার্টি অসিগী এম পি নরেশ গুজরালনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সন মমাঙদা কোংগ্রেসনা সীট ৬৯ ফংগনি হায়না সর্ভেগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখিবা তারবসু শুপ্নগী সীট ৪৬ তগী হেন্না ফংবা ঙমখিদে।

# জয়াললিতাগী ফীভম শোকচিল্লকপগী পাউ তাবদগী এ আই এ দি এম কেগী ৱার্কর অমা মশা মথন্তা শিজখ্রে

কোইম্বেটোর, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সী):
টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর জে জয়াললিতাগী হকচাং শোকচিল্লকপগী পাউ তাবদগী টিরুপুর দিষ্ট্রিক্টতা মশাগী চহী ৭০ শুরবা এ আই এ দি এম কেগী ৱার্কর অমা থৱায় নুংঙাইতদুনা মশা মথন্তা শিজখ্রে।

পুলিসকী রিপোর্টনা হায়খি, টিরুপুরদা এ আই এ দি এম কেগী সেক্রেটরি ওইরম্বা বেলয়াপননা জয়াললিতাগী পাউ তাবদা থৱায় নুংঙাইতবগা লোয়ননা মথন্তা শিজনবা ফিরেপ লৌখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সোলায়ুরদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা মহাক হূ থক্তুনা শিজখিবনি হায়না পুলিসকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

বেলয়াপনবু টিরুপুর গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা মতম খরা লায়কন্নরমখি। অদুবু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি হায়রি।

অমরোমদা, এপোলো হোস্পিটালদা লায়েংলিবী চীফ মিনিষ্টর জয়াললিতাগী ফীভম ফগৎলকপগা লোয়ননা ওক্টোবর ১৭ তা এ আই এ দি এম কেগী ৪৪শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। পার্টিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, ওক্টোবর ১৭ তা এ আই এ দি এম কে লিংখৎলম্বা এম জি রামাচন্দ্রন (এম জি আর) গী মীতমদা লৈ পরেং হুকপগা লোয়ননা ৪৪শুবা পার্টিগী ফাউন্দেসন দে পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরে।

এ আই এ দি এম কেগী হেদ ক্বার্টরসতা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা পার্টি প্রসিদিয়মগী চ্যেরমেন ঈ মধুসুদননা এম জি আরগী মীতমদা লৈ পরেং হুকপগা লোয়ননা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎকনি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা জয়াললিতানা অয়াবা পীরে হায়না এ আই এ দি এম কেগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। মশাগী চহী ৬৮ শুরবী জয়াললিতাবু সেপ্টেম্বর ২২ দা লাইহৌ হৌরকপগা লোয়ননা দিহাইদ্রেসন তৌবদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখিবনি।

দোক্টরনা মহাকপু হোস্পিটালদা মতম শাংনা থম্বগী মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না এপোলো হোস্পিটালদা লায়েংদুনা থল্লিবনি।

ওক্টোবর ৮ দা হোস্পিটালগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, লংসকী ফীভম শোকচিল্লকপদগী নিংশা শ্বর হোনবদা অৱাবা মায়োক্লরম্বী জয়াললিতাগী ফীভম তপ্পা-তপ্পা ফগৎলক্লে। অথুবা মতমদা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌরগনি।

মরকসিদা, সেন্টরনা টামিল নাদুগী অনৌবা গভর্ণর অমা খন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়রি, কে রোসায়ানা ফম থাদোকখিবদগী থা অমরোম হাঙদুনা লৈরক্লিবা গভর্ণরগী ফম মেনশিন্নবা সেন্টরনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। হৌজিক-হৌজিক মহারাষ্ট্রগী গভর্ণর সী বিদ্যাসাগর রাওনা অহেনবা চার্জ ওইনা টামিল নাদুগী গভর্ণরগী থৌসু পুরিবনি।

জয়াললিতানা সেপ্টেম্বর ২২ দগী হোস্পিটালদা লৈরকখিবা মরম্না মহাক্না পায়বা পোর্টফোলিও পুন্নমক ফাইনান্স মিনিষ্টর ও পনির সেলবমদা পায়হনখিবগা লোয়ননা গভর্ণরনা হায়খি মদুদি, হৌজিকসু জয়াললিতানা চীফ মিনিষ্টর অদুমক ওইরি।


**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR : IMPHAL**

**N O T I C E**
**Dated 13/10/2016**

No. MU. 9-2/1/14 F(Prog.)

In partial modification of this office order of even no. dated 4/06/2016 & 19/05/2016 regarding the programme for B.Ed. Exam. 2016 (New/Old/Old Course), the examination of the paper(s) scheduled on **15/10/2016** is re-scheduled as under:

| Date/Day | Paper/Title | Time |
|---|---|---|
| 28/10/2016 (Friday) | B.Ed.-07/08 Pedagogy of school subject (Social Science) | 11a.m to 2p.m |
| | B.Ed.-09/10 (i) Pedagogy of Language (MIL) | |
| | B.Ed.-VII (Environmental Education /Population Education /Educational Management & Administration/Educational & Metal Measurement/ Art Education/Performing Art: Music) | |

*Sd/-* **Prof. N. Ibotombi Singh**
Controller of Examinations

HL-B/3390/15

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR : IMPHAL**

**N O T I C E**
**Dated 13/10/2016**

No. MU. 9-2/1/14 F(Prog.)

In partial modification of this office order of even no. dated 11/08/2016 regarding the programme for Hindi Shikshan Parangat Examination 2016 (New & Old), the examination of the paper(s) scheduled on **15/10/2016** is re-scheduled as under:

| Date/Day | Paper/Title | Time |
|---|---|---|
| 18/10/2016 (Tuesday) | Paper: 03 (General Linguistics) | 11a.m to 2p.m |
| | Paper: III (Methodology of Language Teaching) | |

*Sd/-* **Prof. N. Ibotombi Singh**
Controller of Examinations

HL-B/3390/15

**OFFICE OF THE**
**JIRIBAM MUNICIPAL COUNCIL, MANIPUR**

**N O T I C E**
Jiribam, the 13th October, 2016

**No. 5/HFA/JMC/2016 :** It is hereby notified for information of all concern that with reference to this office Notification for Demand Survey of even number dated 06/09/2016 and 29/02/2016, a **Preliminary List of Beneficiaries** has been prepared for providing financial assistance under the sub-component – **'Subsidy for beneficiary-led individual house construction' of the Pradhan Mantri Awas Yojana-Housing for All (Urban)**. A copy of the said list of beneficiaries is available for inspection at the office of the undersigned, the concern Ward Councillor/Member-Secretary of Ward Development Committees (WDCs) and at www.muda.mn.gov.in & www.jiribammunicipalcouncil.yolasite.com.

If there be any claim for the inclusion as a beneficiary or any objection to the inclusion of any person as beneficiary or any other relevant objection then, such claim or objection, as the case may be, should be submitted/lodged to the undersigned or the concern Ward Councillor or the Member-Secretary, WDC in writing with documentary evidence/proof on or before 17th October, 2016.

*Sd/-* **Th. Harikumar Singh**
*Executive Officer*
Jiribam Municipal Council, Manipur

HL-P/10158/15

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE REGISTRAR OF CO-OPERATIVE SOCIETIES: MANIPUR**

**N O T I F I C A T I O N**
Imphal, the 13th October, 2016

**No. E-Coop/272/MRDR/2016 :** In continuation of this Office Notification of even number dated 02/09/2016 it is hereby notified to all concerned applicants for the post of driver that they can collect their admit card for Driving Test and Viva Voce during 11 a.m. to 3 p.m. from the office of the undersigned w.e.f. 14/10/2016 to 16/10/2016. No candidates will be allowed to appear the Driving Test and Viva Voce without the Admit Card.

*Sd/-* **L. Nabakishwar Singh, IAS**
*Registrar,*
Co-operative Societies, Manipur

HL-P/10142/14 & 15

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR, IMPHAL**

**A P P E A L**
14 October 2016

The present impasse in Manipur University is one of the most unfortunate incidents in the history of this University. Manipur University understands the sentiments of all concerned. The University is trying to bring out a solution by communicating to the Honourable Visitor, the President of India. With an urgency, the matter is dealt with by contacting all the concerned authorities of the State as well as the Central Government for helping the University in bringing out a breakthrough so as to resolve the present impasse.

The University appeals to all the students and research scholars to cooperate with the University in maintaining normalcy as well as in setting the issues which concern all of us. The University also appeals to all those students who had left the campus to come back to their respective hostels so that the regular classes can be resumed from the next week.

*Sd/-* **Prof. M. Shyamkesho Singh**
**Registrar i/c**

HL-B/3389/15

**SAINIK SCHOOL IMPHAL**
**ENTRANCE EXAMINATION FOR CLASS VI & IX : 2017**

**Date of Examination : 15 JANUARY 2017 (SUNDAY)**
**Admission** : In Class VI & IX (for Boys only)
**Age** : (i) **For class VI** : 10 to 11 years as on 01 Jul 2017 (Born between 02 Jul 2006 to 01 Jul 2007)
(ii) **For class IX** : 13 to 14 years as on 01 Jul 2017. (Born between 02 Jul 2003 to 01 Jul 2004)

**SALE OF PROSPECTUS / ADMISSION FORM**

(i) From **17 Oct 2016** to **18 Nov 2016** on all working days between 0900-1400hrs at Sainik School Imphal on cash payment of **Rs. 450/-** (including Sample Question Paper) for General / Defence Category and **Rs. 300/-** for SC / ST.
(ii) By Registered Post against MO / DD of Rs. 500/- for General & Defence Category and Rs. 350/- (for SC/ST) drawn in favour of "Principal, Sainik School Imphal," payable at Imphal.
(iii) **Last date of submission at School Office : 30 Nov 2016.**

HL-P/10150/15

টেংগাবেপ্তোং/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3356/03/10-02/11